থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# অৱাবা-নুংঙাইবা অনীমক পুনবা নুমিৎ অমা

মার্চ ২০, ২০২০ (ত্বেন্তি ত্বেন্তি ত্বেন্তি মার্চ) - ইরাই নুমিৎকী অয়ুক অঙনবা, য়াহৌরকপা, নোং ঙানফুং ঙানফুং তৌরকপা, ৱার্কিং চৎকে থোক্লকপা, থোঙ্গালদুদা নুংশিবা উচেক্কী (চেক্লাগী) খোঞ্জেল অমা তাখি। নুংঙাইবা পাউ তারমদাইদা তায় হায়নবা খোঞ্জেলদুনি। খোঙথাং য়াংখৈ হুস্ফু থাংলবা তুং, লৈরক অচৌবা য়ৌরকপদুদা কদোমদগীনো খঙহৌদনা, মতম কুইনা তারুদ্রবা চোংঙা-থীজাবী হায়নবা উচেক শঙ্খু অমা খোংবগী মখোল ! তায়ওন্নবা মখোল অনীদুনা হৈনদবা ইথিল অমা ফাওহনখি। থাংদোক্লুরবা খোঙথাংদু হঞ্জিন্দুনা ফমুংদা হীপচিনখি।

তুমথরুরগা মীৎকপ থোক্লকপদদি পুং মঙা-মখায় তারম্লে। ইচানুপাগী মমানা কাঙখল হাইদোক্তুনা 'খবর' (পাউ-চেগী মহুৎ ওইনা ঈরোন ওইরবা)দু লানশিল্লকপদা উরে - 'ফ্রন্ত-পেজ'দা হেদ-লাইন ন্যুজ ওইনা ফোঙলম্বা - প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মার্চ ২২, নোংমাইজিং নুমিত্তা পব্লিক কর্ফিয়ু লাউথোকখিবগী পাউ; থাংজ নুমিৎ, মার্চ ২১দনা ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা রাজ্য-সভাগী এম পি ওইনা চৎনবা ভোট লেপকদৌরিবসিগা মরী লৈননা কৌরিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অমদি মালেম সেগাক কায়খ্রবা, কুমজা ২০১২ দিসেম্বর ১৬ কী নুমিদাংদা দিল্লিদা অচেনবা বস অমগী মনুংদা চহী ২৩ শুরবী নুপী অমগী ইকাইখুম্নবা মাঙহল্লগা হাত্তোকখিবা, 'নিরভয়া-রেপ-কেস' হায়না খঙনবদুদা মরাল লৈরবা মীওই মরী, মার্চ ২০গী অয়ুক পুং মঙাদা হাৎলগনি হায়বগী পাউ ... পাউ মখল অহুমসি তাগদবগী, অৱা-নুংঙাই অনী য়ানশিন্নবা পাউ অসিগী 'প্রিমোনিসন' (অহলশিংনা হায়নবা 'হান্না পীবা সখিনা') হায়বদু ওইবা তাই। পাউচেদু পানা পানা, পুক্নিংসিদা ফাওরকখিবা 'ফীলিং' মখল কয়ানি। ঐহাকখক্তগী ৱাখলদা ওইরম্লোই। ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীওই লীচা-লীপুন (লাখ-ক্রোর) কয়াসিগী ৱাখলদসু ফাওরম্নি - ঐঙোন্দা ফাওরিবসিগা মান্নবা ফীলিং। চরাংনবা ৱাখলসি, মীয়ামগী ৱাখন্দা, কোকঙমদনা মতম খরদি লৈখিনি। ৱাখলসিদা 'প্রি-দোমিমেন্ট ওইনা' লৈবনিনা, ৱাখলসিগা মরী লৈনবা পাউদম ওইনা তম্নিংলকপা হৌনশানি। অদুননি, ঙরাংতমক তমখিবা পাউদমদুগী মখা তাবা ওইনা থোক্লবসু, কোরোনাভাইরসকা মরী লৈননা মোদিনা ইমপোজ তৌরক্লিবা অথিংবশিংগা মরী লৈনবা পাউদম খরা শমথজগে থৌরাংলিবা। মোদিনা নুমিদাং পীখিবা পাউজেলদু মরু ওইবনি খঙলবসু তাজ হৌদ্রে, পাউ চেদগী খঙবনি। তুজুংনীংঙাই ওইরবা ফিভমসিদা, মহাক্না থাংলক্লিবা খোঙথাংসিনা, মীয়ামদা হেন্না চেকশিন্নবগী সিরিয়স ওইবা পাউজেল অমদি শোয়দনমক্কী পীরগনি। মদুগীদমক্তি থাগৎনিংই। অদুগা, মার্চ ২২ গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫, মীয়ামগী কর্ফিয়ু মনুংদা, লৈপাক মীয়াম পুম্বনা লৈরম-লৈরম্বা মফমদা খূবাক খূদুনা/পুখম/প্লেট/থোঙ থীন্দুনা মীয়ামগী থৌগল তৌরিবশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকপিয়ু - হায়বা আপিল অদুমদি খজিক্তং অঙাং-মানবা, চাইল্ডিস ওইবা থৌওং অমরা - খল্লকপনি ৱাখলসিনা।

খঙদে, বি জে পিগী সপোর্টর/মোদিগী ফেনশিংনদি ঐগী ষ্টেটমেন্ট অসিদা শাউনীংগদরা ! তৌবগীদি, পাউদমজরিবা ঈশামকসু, ইকুই কুইদ্রিঙৈ, মতম খরগী মমাংদা ফাওবা মহাক্কী 'অর্দেন্ত-ফেন' অমা ওইরম্মী। হৌজিক্তি, মহাক্কী 'য়ানিংদবা থৌশিল' কয়াসু য়াওরক্লে। ইম্ফালগী সনা-কৈথেলসু মতম খরা থিংলেদনা, মহাক্কী কফিয়ু য়ৌরক্ত্রিঙৈ। ফৈ। অনাবা অমা ফাওবা য়ৌরক্ত্রিঙৈ, মোক-ত্রায়েল ওইনা পাঙথোকহৌবা ফৈ। করিগুম্বা য়ৌরক্তুনা (য়ৌরক্লম্বসু য়ারিবনি হান্ননা) কৈথেলসিদা মহাক্না চঙলম্বা থোক্লবা নোংমখক, মহাক্না শন্দোক্লমগদবসি মী কয়াদনো ? কৈথেল অহুমসিদা ওইরিবা শক্তমসি উরগতা লাকশিনবা ঙমগনি। শন্দোক্লক্কদৌবা এজেন্টনা - লায়র-ইনাক খুনবা/অচৌ-অশাং/মশা নানবা-নান্দবা পুম্নমক্কী নাক্তা য়ৌরিবা শেনয়েক-তরা চৎপী/কুন চৎপী/য়াঙ্খৈ চৎপী/চাম চৎপী ময়াম ! কনানসু, কৈদৌঙৈদা চামথোক্লরোইদবা !

অদুগা, ঙসি 'জেনরেল ষ্ট্রাইক' কৌরিবসিগী ৱারূ - ঈনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ইন্দিয়ন পার্লিয়ামেন্টতা মেম্বর ওইনা চৎপা নৎত্রগা চৎত্তবা ! ওইরক্লিবা ফিভমসিদা পুম্নমক্লদি খঙনরে - মীয়ামগী ঈহৌ ফনা হৌরসু নিংথৌগী ফিরেপ হোংলরোই। অদুগা, সিমসু খঙই মীয়াম্না - করিগুম্বদা মায় পাকপা থোক্লবা, মোদি অমদি অমিট শাহ অরায়বা নত্তে, থা খরগী মতুংদা মিনিষ্টরগী ফম অমা থিন্দোরকপসু য়াই। লৈপাকসিগী মীয়াম্না হৌরিবা 'এন্টি-ইনিদয়া'/'এন্টি-মর্জর এগ্রীমেন্টকী ঈহৌ অসি কাউন্টর তৌনবা। মজ'র এগ্রীমেন্টতুদা খুৎয়েক পীখিবা নিংথৌদুমক্কী মশু-নুপানা এম পি ওইদুনা মিনিষ্টর ওইরবদি এগ্রীমেন্ট অদু মশানা পামদ-পামদ-সহি তৌখিবনি হায়বা অর্গুমেন্য অদু ময়াই চল্লেদনা ! য়ান-ৱারোল অদুগী মরু ওইবা 'টর্ম' অমা ওইখিবা - 'নিংথৌরোল ত্রেদিসন ঙাক্লবা, নিংথৌদুনা লৈরিমখৈ (কুমজা ১৯৪৯ গী ভেল্যুদ) লুপা লাখ অহুম পীগনি' হায়বা ৱারোলদু 'বোধচন্দ্রগী পুন্সিনা হিংলিমখৈ পীগনি' হায়বা ৱাহন ওইনা চৎখিবদগী নিংথৌকোনগী ফিভম শোকচিল্লকখিবনি হায়বসিমদি পূম্নমক্না কৈদৌঙৈদা নীংশিংখিদে।

'কিখঙদবী' (নিরভয়া) হায়বা মিংথোল পীখ্রবী, লৈখিদ্রবী 'জ্যোতি সিংহ'গী মফমদা শারমচৎ চৎখিবা নুপা মরিমক ঙরাং অয়ুক পুং মঙা তাবদা দিল্লিগী 'তিহার জেল'দা থৌরী য়ান্দুনা হাৎখ্রে। তিহার জেলগী পুৱারীদা মীওই মরি অমুক্তদা পুল্লপ হাৎপা অহানবনি। নুপীদা নত্তবা মীৎয়েং য়েংবা, লমচৎ-নাইদবা নুপাশিংদা অকনবা ৱার্নিং ওইনা থোক্কদবা থৌদোক অমা ওইরবসু, থৌদোকসিনা মরম ওইদুনা 'মরাল লৈরবা মীশিংবু শিবগী চৈরাক পীবা' (কেপিটেল পনিসমেন্য)গী মহুৎ, মরাল লৈরবশিংগী লমচৎ শেমদোকপা অমদি ক্রাইম থোকহন্দনবা থবক পায়খৎপরোমদা পূক্নিং চিংশিন্নবগী ৱাফম কন্না হৌদোক্লরক্লি।

বৃটিশশিংগী মতৌ তম্লগা শেমখিবা ইন্দিয়ন লো, 'বৃটিশ-লো'গুম দেথ পেনাল্টি লৈত্রবা 'লো' অমা ওইহনবা হায়বদুমদি মপোকসিমগী ওইররোই। মরমদি, মতু চোম্বা য়োং (হেয়রি এপ) তগী মী ওল্লকপা কুইদ্রিবা মীনা মশিং হেনবা ইন্দিয়ানি।

লৌশিং পুক্কে

# ইশানা ইশাগী হেন্দ সেনিটাইজর শেমজবা-১



কোভিদ-১৯গুম্বা ইনফেক্সিয়স দিজিজশিং শন্দোরকপদা ঙাকথোক্লবগী ৱাফম লাকপা মতমদদি মমাঙঙৈদগী হৌনা চৎনরক্লবা খূৎ হাম্বা হায়বসিদগী হেন্না ফবা অমত্তা লৈতে।

অদুবু করিগুম্বা ঈশিং অমদি সাপোন ফংদ্রগদি ঐখোয়না তৌগদবসি, সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী)গী মতুংইন্না, অলকোহোল বেজ হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নবা হায়বসিনি।

ইশাগী য়ূমদা হান্না লৈশিন্দুনা থমহৌবা হেন্দ সেনিটাইজর লৈত্রগদি, হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা দুকান নৎত্রগা ফার্মাসি নৎত্রগা ওনলাইনদবু ওইরবসু হেন্দ সেনিটাইজর থিবদা ৱানা থোক্লে। নোবেল কোরোনাভাইরসনা খোঙজেল য়াঙনা শন্দোরকপা মরম্না দুকান অমদি ফার্মাসিশিংনসু মীয়ামগী অপাম্বা থুংহনবা ঙম্লোইদৌরি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা য়াম্না নুংঙাইবা পাউ অমা হায়বা তারগদি ইশানা শীজিন্ননবা হেন্দ সেনিটাইজর শেম্বদা পোৎলম অহুমখক্তং চঙই। মতৌ করম্না য়ূমদা হেন্দ সেনিটাইজর শেমজগদগে হায়বগী মতাংদা মখাদা পীরি।

ইশানা য়ূমদা হেন্দ সেনিটাইজর শেমজবা হায়বসি য়াম্না লাইবা অমদি পোৎলম খরখক্তং চঙবা থবক অমনি। পোৎলমশিং অদুদি-

১) আইসোপ্রোপিল নৎত্রগা রব্বিং অলকোহোল (চাদা ৯৯ অলকোহোল ভোল্যুম য়াওই)

২) এলো ভেরা জেল অমদি

৩) টি ট্রি ওইল নৎত্রগা লাভন্দর ওইলগুম্বা ইসেন্সিয়ল ওইল নৎত্রগা চমপ্রা মহী (লেমন জুস) ওইনা শীজিন্নরবসু য়াই)।

মহীক হাৎপা ঙম্বা হেন্দ সেনিটাইজর শেমগে হায়রবদি অলকোহোল অমদি এলো বেরাগী প্রপোর্সন অসি ২:১গী চাংদা ওইহনগদবনি। মসিনা অলকোহোলগী চাং চাদা ৬০গী চাংদা থমগনি। সী দি সীগী মতুংইন্না অলকোহোলগী চাং চাদা ৬০ হায়রিবসি মহীক অয়াম্বা হাৎপা ঙম্নবগীদমক মথৌ তাবা খ্বাইদগী য়ামদবা চাং অদুনি।

সী দি সীগী ভাইরেল দিজিজ দিভিজনদা ইপিদেমিক ইন্টিলিজেন্স সর্ভিস ওফিসর ওইরম্বা অদুগা ওস্মোসিসকী চীফ মেদিকেল ওফিসর ডা. রিষি দেসাইনা হায়বগী মতুংইন্না মখাদা পীরিবা হেন্দ সেনিটাইজর অসিনা সেকেন্দ ৬০গী মতুংদা চাদা ৯৯.৯গী চাংদা মহীকশিং হাৎপা ঙমগনি হায়রি।

হেন্দ সেনিটাইজর
মথৌ তাবশিং:

- আইসোপ্রোপিল নৎত্রগা রবিং অলকোহোল (৯৯%) কপ ৩/৪
- এলো ভেরা কম ১/৪ (খূৎ থোৎনা থম্নবা অমদি অলকোহোল য়াওবগী খূৎ কংবা ফনবা)
- ইসেন্সিয়ল ওইল দ্রোপ ১০, খুদম ওইনা লাভন্দর ওইল, লেমন জুস ওইনা শীজিন্নরবসু য়াই।

শেম্বগী মওংশিং:

- মথক্তা পীরিবা চাং চানা ওল্লবা মচলশিং অসি বাউল অমদা হাপচিনগনি
- চামচ অমনা তোৎশিন্নগনি অমদি জেল ওহন্নবগীদমক নৈগনি।
- অসুম্না শেল্লবা পোৎলম অদু শীজিন্নবা নুংঙাইনবগীদমক অহাঙবা বোট্টল অমদা হাপচিন্দুনা, লায়না খঙনবগীদমক 'হেন্দ সেনিটাইজর' হায়না থাদুনা থমগদবনি।

বোল ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিগী এসোসিএট প্রোফেসর জগদিস খুবচান্দনি, পি ঐচ দিনসু মান্নবা ফোর্ম্যুলা অমা হায়খ্রে।

মহাক্কী হেন্দ সেনিটাইজর ফোর্ম্যুলা অদুদি:

- আইসোপ্রোপিল অলকোহোল নৎত্রগা ইথানোল (৯১% - ৯৯% অলকোহোল) শরূক অনী
- এলো বেরা শরূক অমা
- ক্লোব, য়ুকেলিপ্টস, পেপ্পর্মিন্ট নৎত্রগা অতোপ্পা ইসেন্সিয়ল ওইলগী দ্রোপ খরনি।

খুবচান্দনিনা হায়বগী মতুংইন্না য়ূমদা ইশানা হেন্দ সেনিটাইজর শেমজগে হায়রগদি মখাগী কাঙলোনশিং অসি ঙাক্কদবনি। কাঙলোনশিং অদুদি-

- হেন্দ সেনিটাইজর শেমগদৌরিবা মফম অদু তরু-তরুবা মফম ওইগদবনি।
- হেন্দ সেনিটাইজর শেম্বগী থবক হৌদ্রিঙৈদা খূৎ শেংনা হামদোক্কদবনি।
- পোৎলমশিং অদু তোৎশিন্ননবগীদমক চামচ নৎত্রগা ৱিস্ক শীজিন্নগনি। চামচ নৎত্রগা ৱিস্ক অদু শীজিন্নদ্রিঙৈদা শেংনা চামথোক্কদবনি।
- হেন্দ সেনিটাইজর শেম্বদা শীজিন্নরিবা অলকোহোল অদু দাইলুটেদ নত্তবা ওইগদবনি।
- পোৎলমশিং অদু মপুঙ ফানা পুনশিন্নদ্রিফাওবা ওৎকনি।
- মিক্সচর অদু শীজিন্নবা য়াদ্রিফাওবদি খূৎনা শোক্লোইদবনি।

হেন্দ সেনিটাইজর চাং য়াম্না শেম্বগীদমক ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা ফোর্ম্যুলা অমা পীরি। ফোর্ম্যুলা অদুগী মতুংইন্না শীজিন্নগদবা পোৎলমশিংদি:

-আইসোপ্রোপিল অলকোহোল নৎত্রগা ইথানোল
- হাইড্রোজেন পেরোক্সাইদ
- গ্লিসরোল
- ষ্টেরাইল দিষ্টিল ৱাটর নৎত্রগা শৌহল্লগা ইঙহল্লবা ঈশিং অসিনচিংবশিংনি।

# তখেল্লম্বম কোঞ্জিন্দা লৈবা দিস্পেন্সরিদা ভিজিট চৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচ এন এস):

তখেল্লম্বম কোঞ্জিন্দা লৈবা দিস্পেন্সরিদা সপ্রাইজ ভিজিট চৎখ্রে হায়না নোংচুপ ইম্ফাল পলেম ইমা অপূনবা লূপ (নিম্পাল)গী সেক্রেটরি জেনরেল এস শান্তি লৈমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ঙসি নিম্পালগী লংথবাল ব্রাঞ্চকী মেম্বরশিংগা লোয়ননা তখেল্লম্বম কোঞ্জিন্দদা লৈবা পি ঐচ সীদা চৎতুনা য়েংশিনখি। নর্সকা উনদুনা লৌবা রিপোর্টকী মতুংইন্না সেন্টর অসিদা নর্স ২, ফার্মাসিষ্ট ১, গ্রেদ ফোর ২ লৈ। সেন্টর অসি চাং নাইনা হাংই। হিদাক লাংথক চাং নাইনা ফংই। অদুবু ঈশিংদি ফংদে। বিল্ডিংসু ফীভম শোক্লে। মৈসু ফংদে। কালেনগী মতমদা ষ্টাফশিং য়াম্না ৱানা খাংই হায়না পাউদল্লকই। সেন্টর অসিগী লেট্রিন লৈতে। শগোলশেন নুমীৎতা হিদাক কাপ্নবা অঙাং য়াম্না লাকপদা ফম্ফম লৈতে। অকোয়বগী ফেন্সিংসু খাদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা সেন্টর অসিগী অকোয়বগী ফীভম মোৎপনা খম থেংলে। লায়েংনবা থল্লিবা সেন্টর অসি লূ-নান্না থমগদবনি। ফীভম শোক্লবা সেন্টর অসিনা কোল্লিবা লমশিংদি নরান কোঞ্জিন, তখেল্লম্বম কোঞ্জিন, তরাহৈ কোঞ্জিন, পল্লক হিয়াংথাং হায়রিবা খুল ময়াম অসিনি। ওথোরিটিশিংনা অথুবদা মীৎয়েং চঙদুনা মীয়াম্না মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং অসি কোকহনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# 'নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা ভোট লেপকে খল্লবদি ফম থাদোকপা চুমগনি'

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচ এন এস):

নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ভোট লেপকে খল্লবদি নিংথৌ ফম থাদোকপনা চুমগনি হায়না ওল কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (অক্সু)গী পব্লিসিটি সেক্রেটরি টি ঐচ রামেশনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা মণিপুরগী রাজ্য সভাগী সিটকী ইলেক্সনদা বি জে পিগী টিকেটতা মীরেপ ওইরিবসি মণিপুরগী নিংথৌ ফম অসি বি জে পি পার্টি খক্কীরা। অতোপ্পা মণিপুরদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ওইনদি নিংথৌগী শরুক য়াওদবরা। অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টি মুখৎলগদবরা, নিংথৌ মশাগী ওইবা খরা ফংনবা লৈবাক অসিবু নুংশিবা শাবদি তরাইনা লৌদে। ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সকী ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ৱাখল খনবা নিংথৌদা চিরোল তৌবা মীওইশিংনা খঙগদবদি পোলিটিক্সকা লৈবাক নিংথৌগী কষ্টমরি লোগা খেন্নবা য়াম্না লৈবনি। নিংথৌদা চহীগী লোইপোৎকাবগী চৎনবী কয়া হৌদোক্লবা সজেসন তৌখিবা লৈখিবনি। ৱাফম অসি ইনিংথৌনসু খঙলিবনি। কংলা হোলদা অক্সুগী প্রসিদেন্টনা ৱাশকখি। সনা কোনুংদা লৈরিবা ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা খনবীবা চুম্মী। লৈশেমঙৈ নীংশিংবা থোক্তবা মতমদগী ইরমদম অসিদা নিংথৌ পান্দুনা লাকখিবা পুৱারীগী ঈচেলদা হৌজিক লৈরিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবগী হাক্তক্তা অমুবা মচু শংখ্রগনি। লৈবাক নিংথৌ ফম হাংবা য়াদবনিনা নিংথৌগী ফমদি অথুবদা মেনশিনবা তাই। নিংথৌনা ভোট লেপ্পদা অথিংবা লৈতে। পার্টি নাইবা পোলিটিকেল পার্টি অমগী টিকেটতা ভোট লেপ্পা য়ানিংদে।

ইন্দিপেন্দেন্ট কেন্দিদেট ওইনা পার্টি নাইদবা মীরেপ ওইনা লৈবীয়ু। লৈবাক নুংশিবা শাবা বি জে পিনা ইন্দিপেন্দন্ট কেন্দিদেট ওইহল্লগা শৌগৎপা ওইরম্লবদি থাগৎলমগদবনি। ইরমদম অসিদা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি ময়াম অমা লৈরি। মসিগী মায়োক্তা লৈঙাক পায় হায়দুনা বি জে পিগী টিকেটতা এম পি ওইরক্লবসু বি জে পিগী লৈঙাক কায়খিবা মতমদা অতোপ্পা পার্টিগী লৈঙাক লাক্লবদি নিংথৌগী ফীভম করি ওইগনি হায়বসি খঙগদবনি। নিংথৌ হায়বসিদি কাঙলুপ-ফুরুপ অমত্তগী নত্তে। মতম অমগী য়ুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ ফাবা লাকপদা কছারদগী মৈতৈ মচা খেলেন্দ্র সুবেদারনা লৌখিবা শক্তম শাদুনা লৈঙাক পায়রিবশিংনা পোলিটিকেল এজেন্ট শাদুনা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবদা বি জে পি টিকেট পীশিল্লগা নিংথৌগী কষ্টমরি লো থুগায়বা য়ানিংদে। নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ভোট লেপকে খল্লবদি নিংথৌ ফম থাদোকপনা চুমগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২১।০৩।২০২০ ইং, থাংজ; অয়ুক পুং ৭.৫৬ ফাওবা লমতাগী ২৭ নি পাল্লি মতুং ২৮ নি পানগনি।

**মেষ :** হকচাং নুংঙাইবা, য়েৎনবদা মায় পাকপা, মীচৎ ফংবা অমদি মরুপ-মপাংগী মতেংনা শেল-থুমগী থবক্তা চাউনা কান্নবা ফংগদবা নুমিৎনি। ৱাখলসু থোক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**বৃষ :** মীপাইরম্বা কোকচদুনা অনীংবা থবক খরদি পাংবা ঙমগনি। য়ারগদি নঙগী ওইবা মী/মরী-মতা লোয়নবা ফৈ। য়েৎনবা অমদি অকিবা পাউ তাগনি-খাংবা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা খরদি থুংগনি
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিথুন :** হকচাংদি নুংঙাইবা, মীয়াম্না থোইনা চানবীবা অমদি নিংহন্নদবনা অরুবা থবক পাংবা ঙম্বা অমদি মী ঙম্বা নুমিৎনি। অদুবু মহু চাউবনা কিহনবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

**কর্কট :** য়াম্না ঙন্না অফবা খোঙশাল লৈগনি। পল্লম্বা থবক পাংগনি, নচা-ননাইগী লম্দা পূক্নিং পেনগনি অমদি চিংনদনা থৌনা লিংজেলসু ফুদোকপা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নাপল থাদোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংজবা নুমিৎনি অমদি অনৌ-অনৌবা থবক্তা চাউনা মায় পাক্কনি। লৌশিংসু চাউই অমদি য়েৎনবসু ঙমগনি। অদুনা থৌনা ফুদোকহৌরো।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কন্যা :** মতম মাঙবা ফরনি, মীচং হেনগৎলনি অমদি শেল-থুমগী থবক্তা খরা ৱারসু মায় পাক্কনি। পাউদি নুংঙাইবা ৱাৎকনি অমদি মীতোপ্পা য়েংথীরি হায়বা কাউগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

**তুলা :** হেন্না অশা তৌরুনু মতম মাঙবনা হেনগনি অমদি চরাংনবা তৌগনু-মীয়াম্না য়াবা ৱাৎলি। শেল-থুম অমদি লৈঙাক্কী লম্দদি মায় পাক্কনি, মীনা লাকচবা ঙমলোই।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

**বৃশ্চিক :** য়াম্না ঙন্না অফবা খোঙশাল লৈ। শেল, মীংচৎ অমদি অনা অয়েকসু কোকচবা ফংবা নুমিৎনি। নকন্থিনা নরল মাঙহনবা য়াবদি লৈ - খোইরাংবা ফাথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবদি তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** মীচং হেনগৎকনি, লল্লোন-ইতিক কান্নরগনি অমদি নীংবা মপা চাবা ওইগনি। অদুবু অফা-অপুননগী থবক অমদি শকখঙদবা লোয়নবদদি অকিবগী মশক ওই।
লৈশা পাখংশিংগী - মীৱা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মকর :** কনানসু লাকচবা ঙমলোই, পাউ নুংঙাইবা তাগনি অমদি পাইরক্কী লৌশিং চাউই। মীয়াম লোয়নবদসু ওইজবা ফংগনি অমদি নচা ননাইগী ৱাখলদা নুংঙাইজে।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**কুম্বা :** হরাওবা নুংঙাইবা, লল্লোনবনা শেন্দোং য়াম্না ফংবা অমদি য়েক্লববু লাকশিনবা ঙমজবা নুমিৎনি। অনম কনবনা নরল মাঙজগনি অদুবু থৌনদি ফুদোকপা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মিন :** হোয়া ফবনা চাদিং হেনগনি, মচা-ননাই মাঙগনি অমদি ৱাখল থাদদবা তৌগনু। অঙম্বনা চানবীদুনা থবক পাংবা অমদি থিবা হুম্বা কনবনা শেল-থুম ফংবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - চরাংগনু-কাইননি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# অৱাইবা য়ূমদা লৈরবসু অৱাইবা মঙলান মংদনা অশেংবা ফংগে খন্না মঙখিবা মঙলানদি শোয়দনা থুংবা ঙমগনি



নোকফেৎ তৌবা মায়থোঙগী মরুমদা

*রিংজোই লৈবোন লমকাং*

*মিস মণিপুর ২০১৯ ফর্ষ্ট রনর্স অপ টাইটল লৌখ্রবি*



অচঙবা অফবা মরুবু ওইরবদি ৱারবসু ৱানা অৱাৎপা কয়াতনা থল্লবা লৈহাউ চেন্দ্রবা নুঙ্গাই মরক্তা হুন্দোক্লবসু মরু অদু ময়োন চোঙখৎলক্তুনা অচৌবা উপাম্বী অমা ওইরক্তুনা লৈহাউ চেন্দ্রবা নুঙ্গাইতনা থল্লবা মী চঙনরমদ্রবা মফম অদুবু মীয়ামগী পোৎথাফম ওইহনবত্তা নত্তনা। মীপুম খুদিংগী পুক্নিং চিংশিনফম মফম অমা ওইখিবা য়াওদবসু নত্তে। লৈনমবু চেল্লবদি অথাপ্পা মীনা উদ্রবা মফমদা শাৎলবসু লৈনম চেল্লবা লৈরাং অদুবু থীনরকই হায়বসি লৈত-লায়রনা হৌরকপা হোৎনবা কনবা মীনুংশিতনা থল্লবা মীওই কয়ানা থবক ওইনা পাঙথোক্তুনা উৎখ্রে। মণিপুরগী ফজরবা মফম অমা ওইরিবা চান্দেলদা পোকখিবা রিংজোই লৈবোন লমকাং মীনুংশিতনা থল্লবী মণিপুরগী মীয়াম্বু পোকমিন্নবা মচিন-মৌপ্পাগুম থম্মোয় শেংনা নুংশিজবি অপোকপা লৈখিদবনা মতেং কয়া ফংদনা অমদি লৈনবা য়ূম ফাওবা ঙসি ভারাগী য়ূম অমদা লৈদুনা অৱাবা কয়া খাঙনা হৌরকফম চান্দেলগী শক তাক্লিবি রিংজোই লৈবোনসু মীওইশিং অদুগী মরক্তা অমনি।

রিংজোই লৈবোন লমকাং চান্দেলদা অপোকপা লৈখিদ্রবা অমনুং অমদি অপোকপী পৈতোই লৈবোন লমকাংগী মচানুপীনি। মহাক্কী মচিন-মনাউ অহুমনি। মোদেলিং অমদি ফেসন শো করিনো হায়বা খঙদনা হৌরকখি অদুবু অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা মহাক্কী পোক্লফমদা পাঙথোকপা প্রোগ্রাম মচা-মচাদা শান্নবোই-করিবোই তৌদুনা মিস থোকইবনি হায়দুনা শরুক য়াখি। রিংজোইগী মেদাম চুমনি হায়রিবা মীশক অসিনা মহাকপু লম্ অসিদা চঙনবা হোৎনবদা মতেং কয়া পাঙদুনা মোদেলিংগী লম্বীদা চঙবা হৌরকখি। চান্দেলদা মীওইবগী থৌইনশিনশিংনা মরম ওইদুনা মাঙশিল্লক্লবা চান্দেলগী লাইভ লাইন ওইরিবা চকপী তুরেলবু কন্ননবগী পান্দমদা লমদম অদুগী নুপিশিংনা ব্যুটি পিজেন্টগী প্লেটফোর্ম অমদা পুথোক্তুনা মিস চকপী ২০১৮ হায়না মিংথোনবা মোদেলিংগী চাংদম্নবা অমা শিনখি। চাংদম্নবা অদুদা রিংজোইনা মিস চকপীগী টাইটল লৌবা ঙমখি। অদুবু মিস মণিপুরদা শরুক য়াদুনা ফষ্ট রনর্স ফাওবা তারক্কনি হায়বা নোংমতা ফাওবা খল্লুবা লৈতে। অদুবু মিস মণিপুর নোংমদি শোয়দনা শরুক য়াগনি হায়বগী থাজবা অমদি লৈখি। মিস মণিপুর ২০১৯দা ফর্ষ্ট রনর্স অপ তারকপা অসি তশেংনা অঙকপা অমদি নুংঙাইবা ফাওই হায়নসু মহাক্না পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি।



অপোকপা লৈখিদ্রবনা অমদি অপোকপী মমানা দুকান মচা অমা ফমদুনা য়ূম পুদুনা হিংবা ইমুং অমদা পোক্লুবনা ওর্ফান হোমদা লৈদুনা, লিটল ফ্লাওর স্কুলদা সিষ্টরশিংনা য়োকপিরক্তুনা অমদি চান্দেলগী মফম কয়াদা ষ্টোল ফমদুনা পোৎচৈ কয়া য়োন্দুনা লাইরিক তম্লকখি। রিংজোইগী পুন্সিগী মখা তারকপা লম্বী ওইনা নোর্থ ইষ্টকী ওইনা অমদি নেসনেলগী থাক্তা পাঙথোরকপা ব্যুটি পিজেন্টশিংদা শরুক য়াদুনা মহাক্কী পোক্লফম চান্দেল অমদি মণিপুরগী মায় পুরকপা পাম্মী হায়নসু ফোঙদোরকখি। রিংজোইনা খ্বাইদগী পামজবা এক্টর অমদি এক্ট্রেসতি গোকুল, বালা অমদি সোমানা ওইরি। লমদম অসিগী শৈশকপী লাইশ্রম মেম্মা অমদি শৈশকপা নবভোলকেনোনা মহাক্কী খ্বাইদগী পামজবা শৈশকপা অমদি শৈশকপী ওইরি। রিংজোইনা খ্বাইদগী পামজবা এঞ্জাংদি ঙা থোংবনি। লোয়ননা পামজবা মচুনা পিঙ্ক মচুনা ওইরি। লমদম অসিগী ফজরবা কলচরনা রিংজোইনা মণিপুরগী ফজবা পূম্নমক্তগী খ্বাইদগী পামজবা পোৎশকনি।

রিংজোইগী খ্বাইদগী ৱাজবা অমদি থোকহন্নিংদবা থৌদোক হায়রগদি চিং অমদি তম খাইবুম-খাইবুম তানবগুম লৈরক্লিবা ফীভম অসিনি। চহী কয়াদগী নুংশিননা লৈমিন্নরক্লবা চিং অমদি তমগী নুংশি লিপুন অদু অমুক হন্না পুরকপা ঙম্নবা মণিপুরী পূম্নমক্না হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্না পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি। ঙসি খজিক মায়পাকপা ঙম্লক্লিবা অসি অহানবদা তাইবঙ মপুদা ক্রেদিট পীনিংই লোয়ননা মহাক্কী অপোকপী, তাকপীরকপা ওজাশিং অমদি মরুপ মপাংশিংদসু ক্রেদিট পীনিংই হায়খি। হৌরক্লিবা মোদেলিংগী লম্দা চঙলক্লিবা মীরোলশিংনা নত্রগা লমদম অসিগী হীরম অমদা হেক্তা চঙনিংবা নহারোলশিংনা অৱাৎপা য়াম্না লৈ হায়না খনবগী মহুৎতা অৱাৎপশিং অদু করম্না মেনখৎসিগে হায়না খন্দুনা মঙলান অমগা লোয়ননা হোৎনরবদি শোয়দনা মানা-মানা পাল্লিবা মঙলান অদু থুংবা ঙমগনি হায়খি। লমদম অসিগী মমা-মপাশিংনসু মখোয়গী অপাম্বগী মতুংইন্না চৎহনদবিদা অঙাং অদুনা চৎপা পাম্বা লম্বী অদুদা মায়পাক্না চৎপা ঙম্নবা লম্বী য়াৎহন্নিংই হায়নসু মহাক্না পাউচে অসিদা মখা তানা ফোঙদোকখি। চহী খরগী মমাংদা হকচাং য়াম্না নোইরম্মী অদুবু মিস মণিপুর য়াওবা ঙম্নবা হায়দুনা হকচাং পাথনবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। মদুগী হোৎনমন অদুনা ঙসি মিস মণিপুরগী ফর্ষ্ট রনর্স অপ তাবা ঙম্লকখিবনি। করিগুম্বা লমদমসিগী ফিল্মদা শরুক য়ানবগী তাঞ্জা ফংলবদি অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা ফংলিবা রোল অদু মপুং ফানবা পাঙথোক্লবা হোৎনগনি হায়খি।

ডা. খাইদেম অথৌবা